# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-04-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-০৪-২০২৪,থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) এস.বি.আই বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চতগী লুপা কোতি ২ রোম হুরান্দুনা চেনখিবা মীওই দিল্লিদগী ফারে।

২) রাজ্যগী সি.ই.ওনা হায়রি টি.ভি দিসকসন অমদা ফোংদোখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলি।

**অমসুং**

৩) বি.আর.এস লুচিংবা কে.কাবিতাগী মথক্তা সি.বি.আইনা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক দিল্লি কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস (এল)ঃ** এস.বি.আই বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চতগী লুপা কোতি ২ রোম হুরান্দুনা চেনখিবা মীওই অমা মনিপুর পুলিস অমদি দেল্লি পুলিস অনি খুৎশমদুনা দিল্লিদগী ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা মীওই অসি দিল্লিগী পাতেল চেস খৃষ্টিয়ান কোলোনিদগী ফাখিবনি।

চেরোল অদুনা মখাত্তনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। ককচিং জিলাগী তেরাপীশক নাতেখোংদগী মেগজিন অনি য়াওনা এস.এম.জি করবাইন্দ অনি, এম.এম.কে ৱান-এ হেন্দ গ্রেনেট ৪ ফাগৎপা ঙমখি। নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭গী নুংবা পুলিস ষ্টেসন মনুং চন্না লৈবা কম্বীরোন ভিলেজ মনাক্তগী জেল এক্সপ্লোসিপ ৩৩৫ সু সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে নম্বর -২ ইম্ফাল -দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ২৭৭ অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগী লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে। মখাতানা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অকায়বা থোক্তনবা সেক্যুরিতি কনভোইশিং মফম মফমদা থমদুনা নেসনেল হায়ৱেশিং নিংথিনা ঙাকশেল্লি হায়রি।

**কেম্পেইন(এল)ঃ রাজ্যগী** চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর প্রদিপ কুমার ঝানা হায়রি -মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইরে হায়দুনা লাক্লিবা রাজনিতি দল অমগী ৱাকৎ অদুগা মরী লৈননা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরদা রিপোর্ট পীরকবা খঙহনখ্রে।

মীপুম খুদিংমক লাক্লিবা মীখল অসিদা শরুক য়ান্নবা চিফ ইলেক্সন ওফিস

মনিপুরদগী সিগনেচর কেম্পইন হৌদোকখ্রে। মীখলদা শরুক য়াদুনা ইশাগী ভোট থাদবগ হক মাংহনগুমসি। শান্তি লৈবা মীখল অমা ওইহল্লসি হায়নসু ৱাশক লৌখ্রে। থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েট মমাংদা মীওই কয়া মরুম তৎতনা পুল্লিবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী প্রদিপ কুমারনা হায়- মসিগী মতাংদা ৱাকৎ অমা লাক্লে। মদুগী মতুং ইন্না মরী লৈনবা দি.ই.ওদা রিপোর্ট পীরকবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক লৌখৎকনি।

সি.ই.ওনা মখা তানা হায়- টি.ভি দিসকসন অমদা হায়রোইদা ৱাফম ফোংদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা দি.ই.ও অমদি এস.পিনা তৌফম থোকপা থবক তৌরি, মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইরল্লবদি থবক লৌখৎকনি। মহাকা হায়- সি.ই.ও মনিপুরগী মরুওইবা পান্দমদি মীখল অসিদা থেংনরিবা মীরেপ পুমমক্কীদমক চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহনবা হায়বসিনি। অমরোমদা, মীরেপ অমদা অকি অখঙ পীরে হায়বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হাংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী ঝানা হায়- সেক্যরিতিগা মরী লৈনবা ৱাকৎ অমা হেক লাকপদা লুমা লৌবগা লোয়ননা মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীনবগীদমক সেস্ত্রোল পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি । মহাকা মখা তানা হায়- মীওই কাংবু খরনা মীখলগী কেম্পেইন তৌবা থীংলে হায়রিবসি সি.ই.ওদা পাউ লৈতে। অসিগুম্বগী ৱাকৎ লৈরবদি শোইদনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিদা মীরেপ ওইরিবশিংগী ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর রেজিস্তরগী ইন্সপেক্সন তাঙ্কক অহুম থোকা চথরগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট হলেক্সন ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর রেজিস্তর ঙসি পাঙথোক্লগনি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা থা অসিগী ১২ দা অদুগা অহুম শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক ৩ মক লম্ফেলদা লৈবা দি.সি কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা বিষ্ণুপুর জিলাগী পোল্লিং পরসনেলশিংগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা প্রিসাইদিং ওফিসরশিং , পি.ও.ৱান, পি.ও.টু অমদি পি.ও.থ্রিগী ত্রেনিং ঙসিদগী হৌরগনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর বিষ্ণুপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ত্রেনিং অসি নম্বোল অমদি ওইনাম কেন্দ্রগী ওইনা থম্বাল মরিক কলেজ ওইনামদা, বিষ্ণুপুর কেন্দ্রগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স, মোইরাং, থাঙ্গা অমদি কুম্বীগী ওইনা সি.আই কলেজ বিষ্ণুপুরদা পাঙথোক্লগনি। ত্রেনিং অসি হয়েং লোইশিনগনি হায়রি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী ওইনা মীখল অসিগা মরী লৈননা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি. পেদ মেছিনশিং শিজিন্নবা য়ান্নবা ফীভমদা থম্বগী থবক ঙরাং জিলা অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েত কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা পোস্তর কেম্পেইন অমসু পাঙথোকখি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী ওইনা মীখল অসিগা মরী লৈননা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি. পেদ মেছিনশিং শিজিন্নবা য়ান্নবা ফীভমদা থম্বগী থবক ঙরাং জিলা গঅসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েত্তা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর কাংপোকপীনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সাইকুল, কাংপোকপী অমদি সাইটুগী ওইনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী রেন্দম্মাইজেসন লোইরবা মতুংদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। জিলা অসিগী অনিশুবা তাঙক্কী পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিংসু ঙরাং পাঙথোকখ্রে । ত্রেনিং অদুদা পোল্লিং ওফিসর ২১৩ না শরুক য়াখি। অমরোমদা, ফেৱজোল লিজলাদসু অনিশুবা তাঙ্কক্কী

রেন্দম্মাইজেসন পাঙথোকখ্রে অমদি ই.ভি.এম ,ভি.ভি.পেদ মেছিনশিং শেম শাবা হৌখ্রে।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা শেম শাবগীদমক থবক লেপ্তুনা চখ্থরি। দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর চুরাচান্দপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা অসিগী এসেমব্লি সেকমেন্ত মরিদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিং , রেন্দম্মাইজেসন অমদি ই.ভি.এম-ভি.ভি.পেদশিং থৌরাং তৌবগী থবক ঙরাংদগী হৌখ্রে। চুরাচান্দপুর, সাইকোট অমদি লাঞ্জেন্নরকপশিংগীদমক্তা অখন্ননা শাবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৫ দা মথৌ তৌগদবা নুপী পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিং ঙসিদগী হৌরগনি। জিলা অসিগী ওইনা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৭৪ অসিগী মনুংদা ষ্টেসন ১১০ দি নুপী পোল্লিং পরসনেল খক্তনা মথৌ তৌগনি হায়রি।

**হেলথ(এল)ঃ** মেন্তেল হেলথকা মরী লৈননা টেলিফোনগী খুত্থাংদা তান্ননিংবা অমদি কাউন্সিল্লিং তৌনিংবা মীওইশিংগীদমক লৈরিবা তেলি মানাস প্রোগ্রাম মীয়ামদা পুং ২৪ গী খুদোংচাবা ফংহনবা হৌখ্রে। নেসনেল হেলথ মীসনগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইং কুমজা ২০২২গী নবেম্বর ১৪ দগী হৌদোকখিবা তেলিমানাস প্রোগ্রাম অসি হান্নদি অয়ুক্কী পুং ৯ মখায় দগী নুমিদাংৰাইরমগী পুং ৫ ফাওবা খক্তমক ওইরম্বনি অদুবু মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক প্রোগ্রাম অসি ঙরাংদগী পুং ২৪ ফংহনবা হৌখ্রে। মীয়ামা খুদোংচাবা অসি লৌবিনবগীদমক তোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-৮৯১-৪৪১৬ নত্রগা ১৪৪-১৬ তা তেলিফোন তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

সি.বি.আইঃ মণিলোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা তিহার জেলদা লৈরিবি বি.আর.এস লুচিংবা কে.কাবিতাগী মথক্তা সি.বি.আইনা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক দিল্লি কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে। পনবা য়াবদি এক্সাইজ পোলিসি কেসকা মরী লৈননা মার্চ ১৫ দা ইনফোর্সমেন্ত দাইরেক্তোরেটনা মহাকপু ফাখিবনি। হৌজিক মহাক টিহার জেলদা লৈরি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ৱাইখোম চিত্রাধানি লৈরে--**

**--চিত্রাধানি--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) এস.বি.আই বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চতগী লুপা কোতি ২ রোম হুরান্দুনা চেনখিবা মীওই দিল্লিদগী ফারে।

২) রাজ্যগী সি.ই.ওনা হায়রি টি.ভি দিসকসন অমদা ফোংদোখিবা

ৱাফমগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলি।

**অমসুং**

৩) বি.আর.এস লুচিংবা কে.কাবিতাগী মথক্তা সি.বি.আইনা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক দিল্লি কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-নোলিনি**

নহারোলগী থৌদাংদা-মীখলদা মীয়ামা অকি তুজংবা লৈতনা মপুং ফানা শরুক য়াবিয়ু হায়বা চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা - চহি ১৭ কী নুপী মচা অমনা কৎলম্বা কিদনিনা মীওই অনিগী

পুন্সি কল্লম্লে। নুপী মচা অদুগী কোনিয়ানা অতোপ্পা মীওই অনিগী মমিৎ উহনগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- লাঞ্জেন্নরকপশিংগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ মশক খঙদোক্তুনা থম্লে হায়বা চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা -

পোকফমদা- নমফুম অমসুং শেলনা মীখল থেংনগনি হায়বসি মরৈবাক নুংশিবগী খুদম নত্তে হায়বা বিমোল একোয়জমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইনগী বোক্স আইতেম ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা- মিজোরামদগী পুশিল্লকপা লুপা কোতি ২১০ রোমগী হেরোইন অসামদা ফারে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর হ্যুইমেন রাইটস কম্মীসননা হোম অনি য়েংশিনখ্রে। লৈঙাক্কী মতেং ফংদ্রিবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোম শান্নবা লুপা লাখ ২ মখায় লৌথোকখ্রগা লোইশিনবিদ্রে হায়না ৱাকৎলকখ্রে হায়বা পাউ অসি হ্যুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মনিপুর নিউজতা - এক্সিদেন্ত থোক্লবা ত্রক ১ আর্মিনা রেসক্যু তৌবদা য়াম্লবা বোম য়াওরম্বদগী ফাগৎখ্রে হায়না আহনবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা - মনিপুরগী ইরাং অসিদা অসাম রাইফলসনা নিংথিনা

ঙাকশেনবগীদমক অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনরেলনা মহাক্কী ক্রুপশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা- মীখলগী সিগনেচর কেম্পেইন হৌদোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি ।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- মনিপুর নাগা রিভোলুসন্নরি ফ্রন্টনা কোনবা মফমশিংগী ওইনা মীখল অসি অকনবা মওংদা য়েংশিন্নবা শেম শাখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা - লোক সভা মীখল অসিগী ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মেনিফেস্তো ফেংখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- গুদ ৱিল ম্যুজিক প্রোজেক্টনা শিন্দুনা তমেংলোং হেদক্কাতরদা তেলেন্ট হন্ত কম্পীতিসন পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - পাউমৈ নাগানা লোক সভা মীখলগীদমক অপুনবা অমনি হায়না অমুক হন্না ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

--নোলিনি--